## চেকশিন মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচ এন এস):
ককচিং দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন্না কোকোমিগী মীৎয়েং মখাদা ৱাবগাই লমখায় কৈথেলদা থা অসিগী ২৭ তা চেকশিন মীফম ফমখ্রে হায়না সিটিজন এসোসিএসন ফোর রুরেল দিভলপমেন্টকী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চেকশিন মীফম অদুদা কোকোমিগী মীহুৎ টি ঐচ মনিহার অমদি রাজেননা ৱা ঙাংখি। বিজয় খাইদেমসু ৱাঙাংলোয় ওইনা শরুক য়াখি। এন এস সী এন-আই এম অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টগী পিছ টোক্তা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই, ফুরুপ নাইবা ৱারোইশিন য়ারোই। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱারোইশিন্দা মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকহনগনু হায়বনচিংবা থাবা প্লে কার্দ কয়াসু চেকশিন মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা পায়নখি হায়রি।

## কে শরতকুমার তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচ এন এস):
মণিপুরী বেনেভোলেন্ট সোসাইটি (এম বি এস) সিলচরনা শীন্দুনা মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসনগী ভাইস চ্যেরমেন ওইবতা নত্তনা ফ্রেন্দলি ইনভাইরনমেন্টেল ৱারিয়রগী চীফ এদভাইজর ওইরিবা কে শরতকুমারবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা থা অসিগী ২৭ তা সিলচরদা লৈবা পরিষদ ভবনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম এফ আই সী এলগী ভাইস চ্যেরমেন কে শরতকুমার, এম বি এসকী প্রসিদেন্ট সাইখোম কমলাকান্তা, রিটয়ার্দ এদিসনল সেক্রেটরি এ নন্দবাবু, অসাম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. কে এন চান্দ, এ এম এস পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন জি জয়কুমার, এম বি এসকী এক্স-প্রসিদেন্ট আই এস থিঙামনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা কে শরতকুমারনা হায়খি, এম বি এসনা শীন্দুনা তরাম্না ওকপা অসিগীদমক থাগৎলি। মণিপুরগী মপানদা লৈরিবা মৈতৈ মচাশিংগা মণিপুরদা লৈরিবশিংগা পুনশিন্নবগী মতম ওইরে। ঐখোয় মশেল পুনশিন্নদ্রগদি চাউখৎপা ঙম্লোই। মণিপুরগী মপানদা লৈবা মৈতৈশিংনা ৱারকপা মতমদা অঙন্বা মতেং পাংগনি হায়খি। এম বি এস সিলচরনা মেমোরেন্দম অমসু কে শরতকুমারদা খুৎশিন্নখি হায়রি।

## কুটকী য়াইফ পাউজেল পীক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচ এন এস):
কুট ২০১৯ না লাকপদা মণিপুর মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি হায়না ষ্টেট লেভেল কুট কম্মিটিগী চ্যেরমেন এম এল এ বুংজাগিননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চহী অসিগী নবেম্বর ১ দা অহানবা মণিপুর রাইফলস গ্রাউন্দদা কুট ফেষ্টিভেল পাঙথোক্কনি। কুট ফেষ্টিভেল অসিদা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়া য়াওগনি। মিস কুট খনবগী চাংদম্নবসু পাঙথোক্কনি। নুমীৎ অসিদা বন্দ অমদি খোঙজংনচিংবশিং চথুবীগনু হায়নসু চেরোলদুনা হায়রি।

## নিংঙোল চাক্কৌবগী য়াইফ পাউজেল

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচ এন এস):
নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা মণিপুর মীয়াম মপুং ওইনা নুপী ওইবীশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরি হায়না জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন (অসাম, মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ) গী প্রসিদেন্ট অমু কামৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হৌখিবা চহী খরা অসিদা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়ানসু নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগা লোয়ননা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। নিংঙোল চাক্কৌবনা লমদম অসিগী মবুং-মৌপ্পা অমদি মচে-মচলশিংগী মরক্তা নুংশিনবগী মরী অদু হেনগৎহল্লি। নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা, নুংশি-চান্নবা অমদি চাউখৎপা পুরকপা ওইরসনু। মণিপুর খুন্নাই অসি তীঞ্জং-কায়জংদবা, মশা-মউ ফবা ওইরসনু। খুন্নাই অসিদা নুপী-অঙাংশিংগী মথক্তা ক্রাইম চথুদবা অমদি দ্রগ ফ্রি ওইবা খুন্নাই অমা পুরকপা ওইরসনু। নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা লমদমসিগী মীওইশিং মরুওইনা নুপী ওইবীশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরি। নুংঙাই য়াইফবা, ঈং-তপ্পা অমদি মচিল-মনাও ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিনবা ওইরসনু। সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়ানা লমদম অসিগী ফুরুপশিংগা লোয়ননা নিংঙোল চাক্কৌবা পাঙথোক্লি হায়রি।

# ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা চথুরিবা পিছ টোক্কী ৱারোইশিন্দা মণিপুরগী লমখৈ কায়বা য়ারোই : সোসাইটি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচ এন এস):
ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা চথুরিবা পিছ টোক্কী ৱারোইশিন্দা মণিপুরগী লমখৈ কায়বা য়ারোই হায়না ওল ইন্দিয়া কংলা পাখংবা টেম্পল দিভলপমেন্ট সোসাইটি, কংলা ফমথৌ ৬৪ গী সেক্রেটরি জেনরেল ঈংবা মঙাং য়ুম্নামচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা চথুরিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা য়াওরিবশিং খঙহনগদবনি। ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী মখাদা লৈরিবা ষ্টেট ঙাক্তনি। মসিদা নচা লৌথোকউ, ইচা শুমগে হায়রক্লবদি য়াফম থোক্তে। ইরৈবাক ইরমদম অসি খৃষ্ট, শকাব্দ, এ দি অমদি ইংলিসকী জন্যুৱারী, ফেব্রুৱারী হায়বা অসি লৈত্রিঙৈ নিংথৌ কয়ানা পান্দুনা লাক্লবা লমদমনি হায়না নিংথৌরোল লম্বুবা ৱাচেৎলোল পথুপ, তাওবিলোই য়াংবিনচিংবা পুয়াদা য়াওরি।

অমরোমদা, মৈতৈ থাপালোল কুমশিংদা ময়েক শেংনা তাক্লি। শকাব্দগীনা চহী ১৪৭৬ ইংলিসতগী ১৩৯৯ হাল্লিবসিনি। মৈহৌরোল লৈশেন্নকপদগী নিংথৌ পানবা মনিং মখা তম্বা মশাগী ময়েক, চৎনা লমদাং , হৌনা লোনচৎ, লাইনিং লীচৎ, মশাগী লোল হৌরকফম লৈজবা অমনি। চীংলোন মাপলনা কোয়শিল্লিবসি লাইফম লাইকোননি। সলাই তরেৎ চীংবুরোয় তম্বুরোয় লাইগী চাদানি হায়বদা কক্লিংঙাই লৈতে। অকোয়বদা কছার, অসাম, বদলপুর, বরাক, বর্মা, নাগালেন্দ হায়রিবা মফমশিং অসি মণিপুরগী লমনি। মতমদুদা থিবোমৈ কৌরম্মী। পুৱারী শেমজিনবা য়াবা হৌনদে। খুদম হায়ববু হৌজিক নাগালেন্দ ম্যুজিয়মদা নিংথৌনা শীজিন্নরম্বা পোৎলম, ইরম্বা ময়েক কয়া লেংদনা লৈরি। চীংলোন মাপলগী অকোয়বদি য়ুম-ইংখোলগুম্বনি। লাইশঙ লাইকোন ওইরিবা মণিপুর কায়নবা শিল্লক্লবদি লেম্না খক থাফম থোক্তে। শিদবা মপুনসু ৱারক্তুনা চৈবী চৈথেং পীরকপা য়াই।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা কুমজা ২০১৫ দা ফ্রেমৱার্ককী খুৎয়েক পীনখ্রে। মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপশিং অসি মচিন-মনাওনি। তমদা খুন্দারিবা ঈ মৈতৈগী ময়াম্বনি। মৈতৈসু চীংমীনি। কুমজা ১৭০৯ দগী চথুরকপা নম্ফু লৈঙাক খাঙমিন্নরে। ঈ মরী ইয়াম্বশিংনা ইন্দিজিনস পিপল এক্টকী মখাদা লৈরিবশিং খঙবা তাই। ষ্টেট অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈরিবা মফমদা দিষ্টর্ব তৌবা য়াফম থোক্তে। তাল্লিবা দিমান্দদা ওন্নদা চৎলে হায়বা খঙমিন্নগদবনি। এন এস সী এন-আই এম অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মরক্তা পিছ টোক্কী ইন্টরলোক্যুটর ওইরিবা নাগালেন্দগী গভর্ণর আর এন রবিননসু খঙফম থোকই। প্রোসেসশিং কুপ্পা খন্থরগা দিসিজন লৌফম থোকই। মরম চাদনা দিমান্দ পীথোকফম থোক্তে। ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসন্না য়াদবশিং খন্দোক্তুনা লৈবাক কাংখোং চাইদনবা সোল্ব তৌরবদি মণিপুর, অরুনাচল অমদি অসামগী মীয়াম্না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট লো চৎলি হায়না ঈকায় খুম্নগনি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা লোগী কাঙলোন য়েংদনা মরম চাবা চাদবা থীদনদা নিংঙাই চাউই হায়না পীথোক্লবদি লৈবাক কায়গনি। অন-দেম্মক্রেটিক, অন-কনষ্টিট্যুসনল ওইরে হায়না ৱারেপ লৌফম থোকই। মশানা শেম্বা লো মশানা চৎচবা ঙমদ্রবদি ৱাহন্থোক লৈত্রে। তানফমসিদা পিবাশিং, নিংঙোল ওইবী মমাশিংসু খ্বাঙচেৎ মচি লাংবা মথৌ তারকই। নৈহৎপা, থুগায়বীবা মশিং য়াম্মনখ্রে। থৌনা লিংজেল পুথোক্লবা তাঞ্জা অদু য়ৌশিল্লক্লে। অপূনবগী শক্তমদা ফিরেপ চুম্না লেপ্পা তঙাইফদ্রে।

থা অসিগী ৩১ দা পিছ টোক্কী ফাইনেল এগ্রিমেন্ট তৌনগদৌরিবা অসি তরাইবা নত্তে। করিগুম্বা এগ্রিমেন্ট অসিদা লৈবাক কায়বা য়াবা য়াওরক্কদ্রা হায়বগী চিংনদবা ঙমদে। ষ্টেক হোল্ডরশিং, মণিপুর, অসাম, অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টরশিংনা খঙফম থোকপা ৱাফমশিং অমত্তা খঙদে হায়বসিনা অশেংবা ওইরবদি চিংনফম থোকই। খঙফম থোকপা, হংফম থোকপা ৱাফমনি। ঙসি ফাওবা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাক্তুনা লাক্লিবনি।

নিংথৌগী লৈঙাক মুনখিবসু লৈত্রি। বৃটিশতগী নিংতম্বাসু ফংবসু ইন্দিয়াদগী মণিপুরনা নোংমা হানখি। কুমজা ১৯৪৯ দা শিল্লোংদা মর্জর এগ্রিমেন্ট কন্ট্রোভর্সেল ওইবা মওংদা সাইন তৌখি। মসিদসু নিংথৌগী লৈঙাক্তি অতৈ ষ্টেটকা মান্নদনা নিংথৌগী পাৱর অমদি ফঙ্কসন অদুম্মক লৈ। হৌজিক হৌজিক লৈবাক্কী, কষ্টমগী পিবারেল ওইনা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা লৈঙাক্লি। ৱাফমসি ইনিংথৌ খঙহন্দবা হায়বসি মপু তাক্তনা ইংখোল চঙলক্তুনা মাঙ-তাকহনবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈব্রা।

লমখৈ কায়রক্লবদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমনা তেকচাক লৌফম থোকই। ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকেল ৩৭২ না ময়েক শেংনা তাক্লবদি নিংথৌ লৈবগা লোয়ননা মশাগী লাইনিং-লাইশোন, লীচৎলোল ঙাক্লিবা মফমদা অর্কাইবস লোশিং থুগায়বা য়াদে। নিংথৌগী ওর্দর চৎতুনা লৈরিবা মণিপুরনি। নিংথৌগী অয়াবা য়াওদনা কষ্টমরি লো লোয়ননা কনষ্টিট্যুসন শিংনরক্লবদি লেম্না খক থাফম থোক্তে। এন এস সী এন -আই এমনা তাল্লিবা স্যের সোভরেন্টি, তোঙানবা নাগাগী ফ্লেগ, কনষ্টিট্যুসন শেম্বা, নাগা তাবা লমশিং খোপচিনবা অসিনচিংবা অসি লোনা কদায় ফাওবা য়াবগে হায়বসি খঙগদবনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মচা নিংঙাই ফত্তবদা তোংজৈ মরিলদা শামুনা করম্না লিংহনবগে হায়বসিসু য়েংবা তাই। নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা মণিপুরগী লমখৈ থুগায়বা য়ারোই। লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংগী ঈখেংতনা কল্লম্বা, থাঙ মতোননা ঙাক্লম্বা লমখৈনি। থৌনা ফরবা ইপা-ইপুশিংদুগী চাদা নাওদা ঐখোয়দা থুপচিন্দুনা লৈরিবা থৌনা লিংজেল ফুদোক্তুনা থেংনবা তঙাইফদবরা খল্লি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা মণিপুরগী লমখৈ কায়দনবা থৱায়না পোন্থা পীদুনা হয়েংগী মীরোলগীদমক কথোক্লবা শেম-শামিন্নরসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা ৱাংখেম জুনিয়র হায় স্কুলগী মহৈরোয়শিংগা উনদুনা ইন্টরেক্সন তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচ এন এস):
নো স্কুল বেগ দেগী শরুক অমা ওইনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা থা অসিগী ২৬ তা ৱাংখেম জুনিয়র হায় স্কুলগী মহৈরোয়শিংগা উনদুনা ইন্টরেক্সন তৌখ্রে।

এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখিবদা, নো স্কুল বেগ দে অসি স্কুলশিং অসি মহৈ-মশিন তম্বগী য়াম্না নুংঙাইবা মফম অমা ওইহন্নবগী মীৎয়েংগা লোয়ননা পায়খৎলকখিবনি। অসিগুম্বা পোলিসী পায়খৎলক্লিবা অসি মহৈরোয়শিংগীদমক্তনি। মহৈরোয়শিংগীদমক অহল-লমনশিং অমদি ষ্টেক হোল্ডরশিংনসু মীৎয়েং চঙবীদুনা চাউখৎপা পুরক্লবা হোৎনবা চঙই। নো স্কুল বেগ দেগী পোলিসী অসিনা অঙাংশিংগী মরক্তা পোজিটিভ কলচর শাগৎনবগী মচাক অমসু ওইগনি। মসিনা অঙাংশিংদা অরুম্বা স্কুল বেগ পুদুনা মহৈ-মশিন তম্বা চৎপগী অৱাবা কয়া অদুদগী নোংমত্তা ওইরবসু হন্থহন্দুনা ৱাখল লৌশিং কয়া পুথোক্লবগী তাঞ্জা অমা পীরি। এদ্যুকেসন হায়বসি লাইরিক তম্বা অমদি থবক ফংনবা অদুখক নত্তে। এদ্যুকেসন্না মীওইবগী পুন্সিরোল নুংঙাইনা লৈহন্নবা মচাক শেমগদবনি।

পনবা য়াই, চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৩ দগী নো স্কুল বেগ দে অসি দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসন (এস)না ইমপ্লিমেন্ট তৌবা হৌরকখিবনি। ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবগী মনুংদা তল্লিবা ষ্টেট অসিগী স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিংনা থাংজ নুমীৎতা লাইরিক খাও য়াওদনা স্কুল কাগদবনি। লোয়ননা এক্সত্রা কো-করিক্যুলর এক্টিভিটিজ কয়া পায়খৎনবা মীৎয়েংসু থল্লি। তুংদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা লুচিংবা টিম অদুনা চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদসু ভিজিট তৌখি। খোঙচৎ অদুদা জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসর অরাম্বম অনিলকুমার অমদি ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি। চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকপা দিষ্ট্রিক্ট/জোনেল লেভেল সাইন্স এগজিবিসন ফোর স্কুল চিলদ্রেনসু য়েংখি। এগজিবিসন অদু সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি ফোর সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবনি। সাইন্স মীটতা উৎলিবা সাইন্স মোদেল কয়াসু মিনিষ্টরনা য়েংবগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংনা ৱারী শাখি হায়রি।

# ঙা মেলা শিল্লিবা মফম লৈখোম লৈনাংনা খুদোংচাদবা মায়োক্নে : বোরোবাবু



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচ এন এস):
দিপার্টমেন্ট ওফ ফিশরি মণিপুরনা শীন্দুনা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী গ্রাউন্দদা ঙাগী মেলা পাঙথোক্লিবা মফম অসি লৈখোং লৈনাংনা মরম ওইরগা ঙা লৈবা লাকপা মীওইশিংদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্নে হায়না মেলা অসিদা ঙা পুথোক্তুনা শরুক য়াখিবা সলাম বোরোবাবুনা ফোঙদোরক্লি।

খুরাই নান্দৈবম লৈকায়দগী সলাম ইবোপিশক অমদি সলাম তোম্বীগী মচানুপা সলাম বোরোবাবুনা ফোঙদোরকপদা, ঙাগী মেলা অসি অহানবা ওইনা য়াওবনি। ফার্ম তৌরগা ঙা য়োক্তুনা হিংবা মীওই অমা ওইনা মেলা অসিদা শরুক য়াবনি। ঙা কেজি ১৩০ রোম পুরক্তুনা য়োল্লি। গ্রাস কার্ফনচিংবা ঙা মখল অসি লৈঙাক্না লেপ্পা মমলদা য়োনবনি। ষ্টোল ১৩০ রোম শরুক য়াদুনা থল্লিবা মেলা অসিদা ঙা কেজি ৯০,০০০ রোম পুথোক্লবা টার্গেট থল্লি। মমাঙ চহীগী ঙাগী মেলাদা কেজি ৬৩,০০০ রোম পুথোকখি। মেলা অসিদা ঙসি পুরক্লিবা ঙাশিং অসি লোইনা শিৎকনি হায়বা থাজবা ৱাৎলি। মেলা শিল্লিবা মফম অসি লৈখোম লৈনাং য়াম্না থোকপনা লৈবা লাক্লিবশিংদা খুদোংচাদ্রে। য়োল্লিবশিংদসু অৱাবা মায়োক্লরে। মেলা অসিগীদমক ষ্টোলগী লুপা ৫০০ দিপার্টমেন্টতা পী। ঙা লোইনা শিংহৌদ্রবদি কৈথেলদা অমুক য়োন্থোক্কনি। মতম মতমগী পোৎচৈ থাবা অমদি ঙা য়োকপনা শিনফম ওইবনা হিংনবগী লম্বীদা কন্না হোৎনদবা য়াদে। মখা তানা মেলা অসি য়াওখিগে খল্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

জেমস গোলমৈ কৌবা ঙা লৈবা লাকখিবা অমনা ফোঙদোরকপদা, মেলা শিল্লিবা মফম অসি লৈখোম লৈনাং য়াম্না থোকপনা নুংঙাইতে। লৈখোম থোক্তবা মফমদা ওইরবদি হেন্না নুংঙাইগনি। মথংদদি অসিগুম্বা লৈখোম থোকপা মফমদা শিনবীগনু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# টৈরিটৌরিয়ল কাউন্সীল নৎত্রগা পান নাগা বোদি পীবা য়ারোই : মেসিয়া

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচ এন এস):
এন এস সী এন-আই এমদা টেরিটৌরিয়ল কাউন্সীল নৎত্রগা পান নাগা বোদি পীবা য়ারোই হায়না মৈতৈ য়ুথ ফ্রন্ট সাউথ ইষ্ট এসিয়া (মেসিয়া) গী প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নীংতম্না লৈরম্বা লমদম অসিনা ঙসিদি হিরম খুদিংমক্তা মীখা পোন্দুনা ঐখোয়না ঐখোয়গী লৈবাক কন্নবা চেন-চোংলি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী খোল্লাও ইন্থোক্লগা তৌনিংবদা তৌনি হায়বা মওংদা লাকপা য়ারোই। দিভাইদ এন্দ রুল য়ানিংদে। য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা মণিপুরবু খুদক্তা থুগায়রক্কনি হায়বদি থাজদে। অদুবু তপ্পা তপ্পা মণিপুর কায়নবা থৌশিল শোয়দনা নাকল নাম্মগী মীৎয়েংদা তৌরক্কনি হায়বসি অচেৎপা থাজবা থম্মী। মসিদি শুংয়া য়াফম থোক্তবা লমদমসিদা চুনদবা অরোৎপা থৌশিল অমনি। মতম অমগী তরুকশুবা সেদ্যুলগী দিমান্দ মণিপুরদা পীরম্লবদি ঙসিগী মণিপুর উবা ফংলম্লোই।

এন এস সী এন-আই এমগী পুৱারী মায়কৈ অহুম থোক্না নৈনগদবনি। কুমজা ২০০১ গী জুন ১৮ গী থৌদোক থোকখ্রে। কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনদুনা পিছ টোক চথুরক্লি। ফ্রেমৱার্ক অসি করিদগী ওইরকপনো হায়বসি ইনৈ নৈনদে। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসিদি নাগাগী য়ুনিক হিষ্ট্রি হায়বা কুমজা ২০০১ গী জুলাই ১১ দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা রেকগনাইজ তৌখিবা অদুখক্তা মরী লৈনবা এগ্রিমেন্ট অমনি। নাগাগী য়ুনিক হিষ্ট্রি নাগালেন্দ খক্তা কনফাইন্দ তৌগদবনি হায়বা মতমদুগী লুচিংবশিং অমদি লৈঙাক্না হায়রম্লবদি, ঈহৌ তৌরম্লবদি ঙসিগী অৱাবা পোৎলুম অসি কোক্কদবনি। শক্লোন য়াম্বা ইন্দিয়া থেংনসি হায়রগদি মসিদসু অকনবা মীৎয়েং চঙফম থোকপনি। হৌজিক ইমা লৈবাক কন্নবা অকনবা ঈহৌ চঙশিনসি। হন্দক্কী ঈহৌ অসিনা এন এস সী এন-আই এমগী অরোইবা ঈহৌ ওইহল্লসি।

মণিপুর লৈঙাক্না মসিদা য়াম্না চেকশিন্না নৈনদুনা তুংগী পোলিটিকেল ষ্ট্রেটেজি য়াৎফম থোকই। ইস্যু অসিদসু লৈবাক্কীদমক থৱায় কয়া থারগনি। পুম্নমক্তগী লৈবাক কনবনা খ্বাইদগী মরুনি। ইস্যু লোইশিন্নবগীদমক পুৱারী অনী কম্পেরিজন তৌনদুনা একাদেমীক দিস্কোর্স তৌসিরা নৎত্রগা চৎনবা য়ারোই হায়না দিমান্দ তৌসিরা অমদি তৌদবা য়ারোই। লোন্না কনাগুম্বা খরনা নাগাগী য়ুনিক হিষ্ট্রি অয়াবা পীরম্বা য়ারোই। তুংগী য়ুম্বী ওইরিবা নহাশিংনা মণিপুরগী কন্টক্সতা নাগাগী পুৱারী অসি করিনো খঙনিংই। অরানবা পুৱারীদা নহা ঐখোয় উংখৎনবা পামদে। লৈঙাক্লসু তয়াং তয়াং তৌহন্নিংদে। মণিপুরগী পুৱারীবু তরুকশুবা সেদ্যুল ষ্টেট অমগুম তৌবা য়ারোই। পুৱারী লৈখায় তারবদি ইস্যু লোইগনি। মখা শমথরোই। পুৱারীগী চয়েৎনরিঙৈদা এন এস সী এন-আই এমদা টেরিটৌরিয়ল কাউন্সীল নৎত্রগা পান নাগা বোদি নৎত্রগা এ দি সীদা অহেনবা পাৱর পীবা য়ারোই।

মণিপুর লৈঙাক্কী খুত্থাংদগী চৎপা দিভলপমেন্ট ওইগেরা নৎত্রগা ওইরোইদ্রা নাগা য়ুনিক হিষ্ট্রিসি করিনো হায়বা খঙহল্লু। মচিন-মনাও য়ানফম থোকই। অমা হেক য়াবদা অমসু অদুম য়ুনিক ওইরে। পুৱারী খোঙ্গোয়নবশিং অহান অকোনগী ৱানি। য়ুনিক হিষ্ট্রি মণিপুরদা চৎনবা য়ারোই। চৎনগে হায়রবদি মচিন-মনাও ওইবা কাঙলুপশিং হান্না য়ানগদবনি। মদু নত্তনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ক্লোজ অমা লমদম অসিদা চৎনরকপা য়ারোই। নাগালেন্দ খক্তদা চৎনগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# পিছ টোক্কী ৱারোইশিনদা মণিপুর শোকহন্দনবা তকশিন্নবা জে দি য়ু মণিপুরগী টিম ইম্ফাল থাদোক্লগনি : দোরেন্দ্রো

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচ এন এস):
জে দি য়ু মণিপুরগী প্রসিদেন্টনা লুচিংবা মীওই ১৮ না শাবা মীহুৎ কাঙবু অমা হয়েং নেসনল কনফরেন্স য়াওনবগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি। এন এস সী এন-আই এম অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী ৱারোইশিন পুরকপদা লমদমসিদা শোকহন্দনবা জে দি য়ুগী লুচিংবা নিতিসকুমারদা তকশিল্লুগনি হায়না জে দি য়ু মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী জেনরেল সেক্রেটরি এম দোরেন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।




ন্যু চেক্কোন্দা লৈবা জে দি য়ুগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা দোরেন্দ্রোনা হায়খি, সেন্টরদা জে দি য়ুগী নেসনল প্রসিদেন্ট ওইরিবা নিতিসকুমারদা হিরম অসিগী মতাংদা তকশিনবীয়ু হায়রুগনি। এন এস সী এন-আই এমগী ৱারোইশিনদা টেরিটৌরিয়ল বাউন্দরি কায়হন্নবা হোৎনবা য়ারোই। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ঙম্মী হায়বগী মওংদা নাকল অমখক্কী য়েংলগা এন এস সী এন-আই এম পেন্নবা থবক তৌদুনা ষ্টেট অসি কায়হন্নবা অমদি ইন্টিগ্রিটিদা শোক্লক্কদবশিং তৌহনবীগনু হায়না প্রাইম মিনিষ্টরদা তকশিনবীয়ু হায়রুগনি। নেসনল কনফরেন্স য়াওনবা ঙরাং মীওই মরি চৎখ্রে হায়খি।

# মোইরাং কংলৈরোলগা শাগোন্নবা মফমশিংদা থিজিন খোঙচৎ চৎলুরে : রিছার্স সেন্টর

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচ এন এস): মোইরাং কংলৈরোলগা শাগোন্নবা মফমশিংদা থিজিন খোঙচৎ চৎলুরে হায়না হিষ্টোরিকেল এন্দ কলচরেল রিছার্স সেন্টর ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম ইন্দ্রমনিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, রিছার্স সেন্টরগী থিজিন খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা সেন্টর অসিগী প্রসিদেন্ট ইন্দ্রমনিগী লীচিং মখাদা মণিপুরগী পুৱারী অমদি নাৎকী লমদা থৱায় য়াওবা থিজিল্লোই অমসুং অখঙ-অহৈ ৩৫ না শাবা খুৎপু অমনা থা অসিগী ২০ দা কুম্বী অমদি মোইরাংদা লৈবা পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা মফম কয়াদা থিজিন খোঙচৎ চৎলুরে। খোঙচৎসিদা ইথাই কাইরেম্ববু মশুনুপানা নমদুনা হাৎখি হায়বগী ইথাই পুনমচীং থোনখিবা ইথাইদা লৈবা খুভম, মোইরাং কংলৈরোলগী শায়োন ৱারীদা য়াওবা খম্বা থোইবী শায়োন ৱারী, থোইবীনা কবোদগী লোই কারকপদা অঙোম নোংবান কোংয়াম্বনা থোইবীবু লোই ওকখিবা থৌদোক্তা লৈখিবা কুম্বী তেরাখানচিংবদা থিজিনখি হায়রি।

# লাইওন্স ক্লবনা শীন্দুনা পিছ পোষ্টর কন্টেষ্ট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচ এন এস):
লাইওন্স ক্লব ওফ নম্বুল মপালনা শীন্দুনা চহী ১১ দগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগী ওইবা পেন্টিং কম্পিটিসন অমা এ আই এম স্কুল নহারুপ অৱাং লৈকায় ইম্ফাল ইষ্টতা থা অসিগী ২৭ তা পাঙথোকখ্রে।

জর্নি ওফ পিছ হায়বা থীম মখাদা কন্টেষ্ট অদু পাঙথোকখিবনি। পেন্টিং কম্পিটিসন অদুদা লাইশ্রম মনি মেমোরিয়ল ইংলিস একাদেমীগী কে এস ঐচ শান্তানা চনু, বল্লি লাইশ্রম অমদি এ আই এম স্কুলগী নিঙোম্বম রোদিনানা মথংশিংনা অহানবা পোজিসন, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাখি। মকোক মথং তারবা মহৈরোয়শিংদা শেলগী মনা অমদি সার্টিফিকেট য়েন্থোকখি। পার্টিসিপেন্ট খুদিংমক্তা সার্টিফিকেটসু য়েন্থোকখি।

পেন্টিং কম্পিটিসন অদু হৌদোকপগী থৌরমদা লাইওন্স ক্লব নম্বুল মপালগী কে লক্ষ্মীকান্তনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা দিকেদ অহুমলোমগী মমাঙদগী লাইওন্স ক্লবনা নহাশিং অমদি স্কুল অঙাংশিংগী ওইবা আর্ট কন্টেষ্ট, পিছ পোষ্টর কন্টেষ্ট পাঙথোক্তুনা লাক্লি। পিছ পোষ্টর কন্টেষ্ট পাঙথোকপা অসিনা অঙাংশিংদা ঈং-তপ্পগী ৱাখল্লোন কয়া ফোঙদোক্লবগী খুদোংচাবা অমা পীরি। অঙাংশিংনা য়েক্লিবা আর্টকী খুত্থাংদা মালেমদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবগী পাউজেল কয়া শন্দোকই।

এ আই এম স্কুলনসু অসিগুম্বা পিছ পোষ্টর কন্টেষ্ট পাঙথোকপা অসিদা মতেং পাংবীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মালেম শিনবা থুংনা লাইওন্স ক্লব ইন্টরনেসনলনা পাঙথোক্লিবা পিছ পোষ্টর কন্টেষ্টকী শরুক অমা ওইনা লাইওন্স ক্লব ওফ নম্বুল মপালনা শীন্দুনা পেন্টিং কম্পিটিসন অসি পাঙথোকপনি। মসিদা চহী ১১ দগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয় কয়ানা শরুক য়াখি। পিছ পোষ্টর কন্টেষ্ট অসিদা মহৈরোয়শিংনা মশা-মশাগী হৈ-শিংবা অমদি ঈং-তপ্পা পুরকপগী ৱাখল্লোন কয়া অদু ফোঙদোকই হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচ এন এস):
ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা চথুরিবা পিছ টোক্তা মণিপুরদা শোকহনবা য়ারোই হায়না ঙসি ওল জিরিবাম মুস্লিম ৱেলফ্যের সোসাইটিনা শীন্দুনা লালপানি বজার জিরিবামদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা লোং লিভ মণিপুর, মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই, ষ্টেটসিগী ইন্টিগ্রিটি অসি ঐখোয়গী খ্বাইদগী মরুওইবা প্রাইওরিটিনি। সোল্যুসন পুরকউ, প্রোব্লেম পুরক্কনু, মণিপুর থুগায়বা য়ারোই। ঈং-তপ্পা পুরকউ, মচেৎ-মকায় পুরক্কনু হায়না থাবা প্লে কার্দ কয়া পায়খি। সোসাইটি অদুগী জোইন্ট সেক্রেটরি ইস্লাম বারবুইয়ানা ফোঙদোকখিবদা, পিছ টোক্তা সোল্যুসন পুরকপদা অথিংবা লৈতে। অদুবু মণিপুরগী লম ইঞ্চি অমা ফাওবা মাঙবা য়ারোই। মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম্না ঈং-তপ্পা লৈবা পাম্মী। লমদম অসিগী অপূনবগী শক্তমদা শোকহনবা য়ারোই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি হায়নসু পাউ অসিনা মাখা তারি।



HL-B/4082/14 oct. -1 nov.